# শামু অমসুং কৈ - মোয়োনগী ফুঙ্গা ৱারীসিনা হায়রি ইশা কঞ্জনবগীদমক ফত্ত লৌশিংসু শীজিন্নবা য়াই

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লমহুই লৌশিং, হুইগী লৌশিংনচিংবা ৱাহৈ-ৱাতাশিংসি ঐখোয়গী ওইনা চিনফা পুদুনা লাক্লে হায়বা য়াই। হেক তাবদা অদুম্মক খঙলে - ৱাহৈশিং অসিগী নুংলোনসে পুকচেল চাউবা ফজবা মওং মচত্তগী নাথৈরগা ইশাগী ওইজনামলোমদা হেন্না মায় ওনশিনবা ফত্ত লৌশিং ওইবগুম তৌই। তাইবঙপান অসিদা মশাগী খন্দবা কনাবু য়াওবগে? লাইগী ৱারীদফাওবা মশাগী ওইজবা থিবা মতাংনা পুমথন থল্লি। ঐখোয়গীদা হায়রগা মালেম নোংখোঙ কোয়বগী ৱাথোক্তা ফম্বাল ফংহৌদ্রবা অশিবা (সনামহী) গী মখূত্তা মনাওনুপা অপানবা (পাখংবা) থৱায় মাঙবা য়াবা মতাং য়ৌখ্রিবনি। গুরুগী ফম্বাল মুন্নবগীনি। মালেমগী ওইনা য়েংলবসু নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা অরোই অখম নাইদ্রবা লান কয়াগী ৱারীনা মপূং ওইবা পুৱারী লাইরিক, চীনবুং ৱারী মশীং লাকঙমদখৈ ঐখোয়গী খূত্তা য়ৌরক্লি। উমং-ৱামংদা মনীং তম্না চেন-চোংদুনা শান্নজবা শা-কৈ, উচেক-ৱায়ানচিংবশিংবু শাবাউ লানবাউ চেন্দুনা লৈবাক নিংথৌ মশামক্লা লুচিংদুনা অঙম-অথৌ, অকন-অথৌ কয়ানা হাৎপসু কায়ফদ্রবা চৎনবী ওইরম্মী। চায়নবা হায়বা পাঙ্গল চাংয়েংনবগী চৎনবীনা থৱায় কয়াবুসু খাঙুথক্তা কেমহনবগা লোয়নন লূরেন কক্তুনা লূখা থারল্লিবনি। পূম্নমক অসি লন্নাই অমদি ফুরুপকী মীংচৎ পাঙ্গল হেনগৎনবা নত্তনা করিবু ওইরুনি। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা খুদোংথীবা কয়াদগী কঞ্জনবা ফত্ত লৌশিং শীজিন্নবদি মীনসু লাইনসু য়াগনি। পুকচেল শেংলিবনি হায়দুনা খঙনা খঙনা থৱায় মাঙহনবদি অপঙ চুমচৎ নৎত্রগা অপঙ থৌনা তাগনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা লৈরিবা লৈঙাক্লোনগী মচৎসিদবু চুমদ্রিং চৎলি হায়বা য়াবরা? থোপশিংদু গৃ গৃ তকখায়বী মৈ ব্রঙ ব্রঙ হৌবী লৌশিং শান্নদুনতঙাক লাক্লিবসিনি।

অসিগুম্বা কোক লৈখায়বী লৌশিং শীজিন্নবগী ফুঙ্গা ৱারী ময়াম অমা লৈ। মদুশিংদুগী মনুংদা মোয়োন ফুরুপকী ***শামু অমসুং কৈ*** হায়না মিংথোনবা ৱারী অসিসু শীংথাবা য়াই। ঙোরু ফমদিনগী ***দ ফোক টেলস ওফ মোয়োন*** হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎপনি। মতম অমদা শামু অমগা কৈ অমগা লৈরম্মী। নোংমা কৈ অদু মবুক লাম্মন্দুনা শামু অদু চাথোক্লিংলম্মী। মরম অদুনা মহাক্না শামুদা অসুম্না হায়রম্মী -

"মরুপ শামু, ঐখোয় অনী অমনা অমবু কিহনবা ঙম্বা তান্নসি। অকিবা পোকহনবা ঙম্বদুনা কিরিবদু চাথোক্লসি। মরুপ্পা হান্না ঐবু কিহনবা ঙম্বরা য়েংজৌ।"

কৈগী ৱাফমদুদা য়ারদুনা শামু অদু অশোঙবা উমংদা চঙখ্রে। লৈমায় থক থক নিকপমখৈ মহাক্না খোঞ্জেল হৌনা খোংলম্মী। অদুবু কৈ অদুদি অকিবা করিমত্তা পোকখিদে। হায়নখিবা মতুংইন্না কৈ অদুসু মোংশোঙদা চঙখ্রগা নোংখেক নোংলাউদৌনা ঙ্রুং ঙ্রুং ঙংলকপদা শামু অদু কিমনখিবনা শ্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লম্মী। কৈনা অসুম্না হায়রকখি -

"ঐখোয় অনীনা হায়নখিবা ৱা অদু ঙাক্নরসি।"

শামুনা ৱাপম অদু মমা মপাদা খঙহল্লুখিগে হায়রম্লগা লৈজবী থাদুনা চেনখ্রে। লম্বীদা থেংনবা হঙোই অমনা মহাক্না চেল্লকপগী মরম হংলকপদা মহাক্না খুম্লম্মী-

"কৈনা ঐবু তান্নরক্লে।"

মাগী ৱাদু তাবদা হঙোইনা হায়রকখি -

"ইতাও নঙ করিমত্তা কিগনু, ঐনা নঙবু শোয়দনা কনগনি। তৌবতবু ইতাওনা শৰদ পিক থন্না য়াওবা খাউ অমা পুরকউ।"

হঙোইনা হায়বা মতুংইন্না শামুনা শা অশিবা ময়ামগী শৰদ খোমজিল্লগা পুরক্তুনা হঙোইদা পীরম্মী। হঙোইনা অঙাংবা কোকয়েৎ অমা য়েত্তুনা হীদাকফু অমা মখূৎতা পায়রগা শৰদশিং অদুগা লোয়ননা শামুদুগী মথক্তা তোংলগা কৈগী মনাক তম্না লাক্লম্মী। কৈগী মমাঙদা শৰদশিং অদু চাইথোক্লগা হঙোইনা হায়রম্মী-

"হে কৈ! শৰদশিং অসি উবরা? নঙগী নমা নপাগীনি। ঙসিদি নঙবুসু ঐনা চারগনি। নঙ চেনখিবা য়ারোই।"

হঙোইগী ৱাদু তাবদা কিবনা থক থক নিক্লবা কৈ অদু অদুক্কী মতিক য়াঙনা চেনখ্রে। অসুম্না চেল্লকপদা ঈশিংখোং অমদা ৱাইখু ফাদুনা লৈরম্বা য়োং কাঙবু অমগা থেংনরম্মী। য়োংশিং অদুনা মানা চেল্লকপগী মরম হংলকপদা হঙোইনা মাবু হাৎলগা চাথোক্কদবগী তান্নরক্লে হায়না খুম্লম্মী। মদুদা য়োংশিং অদুনা হায়রকখি -

"ইপু, ঐখোয়না নঙবু কনবীগনি। হঙোইদি ঐখোয়না ফারগা মউন খোক্তোক্লগা থুমোক্তা হাপ্লগা থম্মী। নুমিদাংৱাইরমদা চাথোকই।"

মখোয়গী ৱাদু তাবদা কৈদু অদুক্কী মতিক হরাওবগা লোয়ননা হায়রম্মী -

"ফরে ঐখোয় পুল্লপ থৌরি অমা পুনশিন্দুনা পূন্না লৈমিন্নরসি।"

কৈনা হায়বদুমক মখোয়না তৌরম্মী। মতমদুদা হঙোইসু য়ৌরক্লম্মী। মহাক্না য়াম্না চাউথোক্লা কৈদুদা হায়রকখি-

"হে কৈ! ঐদি নঙবু কোয়থি থিবদা চোকথরে। মফমসিদা থেংনবা য়াম্না ফরে, লাকও চাথোক্লগে।"

কিমনখিবনা কৈ অদু কোয়চেন চেল্লম্মী। মদুদা মাগা পুনশিনমিন্নরিবা য়োংশিং অদু অমগা অমগা থোমগাইনবদগী শিরম্মী। য়োং অমা ময়া কাথোকপদু উবদা মতাং চাদনা নোক্লিবনি খন্দুনা শাউমনবদগী শাফু কন্না ময়াদুদা থাজিনবদা শাথীনা শোক্তুনা কৈগী মখূত্তু ঈনা ঙাংশং ঙাংলম্মী। মদুদগী কৈ অদু কন্না চেনখিদুনা য়োংশিংগী খুঙ্গং অমদা থুংলম্মী। মাবু উবদা য়োংশিং অদুনা মখূত্তা ঈ তৈবগী মরমদু হংলম্মী। থোকখিবা থৌদোকশিং অদু মরীক চুম্না য়োংশিং অদুদা মহাক্না পাউদম্লম্মী। মতম অদুদা য়োংশিং অদুনা অসুম্না হায়রকখি-

"ইপু, নহাক্কী অশোকপদু ফননবা ঐখোয়না হীদাক শেল্লগা তৈগনি।"

মদুদগী য়োংশিং অদুনা কৈগী অশোকপা মখূৎ অদুদা হু হাপচিল্লম্মী। মদুদগী উ মথক্তা কাখৎলগা কৈনা শিবগী ফীভম অদু য়েংলম্মী। মতৌ অসুম্না অফবা পুকচেল শেংবা হঙোইগা মরুপ ওইরুবা শামুদো মথ্বায় কনবিখি। অদুবু য়োংশিংগী তাৎপু থাজরুবা মবুক ফত্তবা কৈ অদু মথ্বায় মাঙখি। লোয়ননা পাঙ্গল কনবদগী লৌশিংনা কান্নবা হেল্লি হায়বসিমসু লৌশিনবা য়াবা ৱাফমনি। ফত্ত লৌশিং ওইবা ওইদবা হায়বদুনা মতাং মতমগী মতুং ইল্লি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হিংনা হিংনা শিবগা মান্নরক্কদৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌজিক্কী মতমদা খরা খিৎ মচিন তুমখৎলক্লবা, শেল খরা পায়খৎলক্লবা মাবু কল্লকপা মীওই খরদি অদুমক লৈরগদবনি। অকি অখংগীনি হায়দুনা মখল-মথেল কয়াগী থৌদোক ৱাথোক্কী মরমদা থবক ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মরাইবক থীবা কনা কনাগুম্বদি মপুন্সি লোইবা য়াওগদৌরিবনি। মীনা মীবু অসুক্কী মতিক লাক্লবীবা মসিবু করম্বা মখলগী ধর্ম্মনি হায়গনি। মতমসিগী হিংলিবা মীওইবা কৌবা কাঙলূপসিগী মফমদা মীগী ফনবা খনগদবগী শরুক ইশাগী ফনবা শিনবদা থেংনগদবা পূম্বা থেংনগনি হায়বা মীগী মশীং থিবা ঙমদনা লৈখিবা মরম্না চেকশিনহৌদ্রবা অৱাবা হায়বদুমা মায়োক্লবা শোয়দবীদা থেংনগদৌরিবনি। খুদোংথীরবদি শিবা য়াবগী খোঙফমদা লাক্তনবা হোৎনবা হায়বসি থৌওইদনা লৈরবা মমৈদা করি নুংগীনো খনগদৌরিবনি। হিংনবগী লম্বীসিদা চেকপু চেকশিনহৌদ্রবা খূৎথীবা অমদি থেংনদনীংঙাই লৈরোই। মথংগী মীরোননা করি অমুক তৌগদৌরিবা? হৌজিক্কী মীরোলদগীদি মতা অমা ওইনা হেনগৎতনীংঙাই লৈদৌরিবনি। চহী অমগী চাবা কোন্নবা ফৌ খরা হাপ্লগা মসিগা লোয়ননা চহী অমগী থাবা কোন্নবা শীঙ পৈশিন্দুনা থম্বা মসিদা নত্তনা... পূম্নমক লৈরমদবা তৌনদবা নত্তে। মতমগী মতুংইন্না অহোংবা কয়া অমা লাক্তুনা ঙসিদি অসুক্কী মতিক খেন্নবা হায়বদুমা তশেং তশেংনা ওইরবনি। তৌনু হায়বা থবক্তুদা তৌরগা নুংঙাইজবা ওইরবা ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়া ঙসিদি ময়াইকাবা চিঞ্জাক্তা ইরাক্লদুনা পুন্সি খোইরেন শুদনা তাইবঙপান থাদোকখিবা মশীং থিবদা লোইবা নাইররোই। ওক্তবা ময়াইকাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুবা হায়বা অসিতবু থবক লৈত্রবা মীওইবতনা নমনা ওইদনীংঙাই লৈরোই। থবকপু লৈরবা ময়াইকাবা চিঞ্জাক চাবদি লায়রদুনা মনুং চঙবা ফাওবা শংলোইদৌরিবনি। তৌনীংঙাই লৈত্রদুনা খাদা অমুক, ৱাংদা অমুক কনাগী করি লৈরিবা অচিৎ-অকোম য়েংবতদা মদুদগী খুদোংচাগদবা য়েংলগা... মসিমা মশীং থিবা ঙমদনা তৌনদে হায়বা য়াবা নত্তে। থবক মানবু লৈত্রবা মখল মখা কয়াগী... মসিগুম্বা থৌওংসি অতনবা মীগী মফমদদি অদুমক থোক্তুনা লৈদৌরিবনি। হৌজিক্কী মতমসিদা চহী য়াম্বনা হিংহৌরগা চহী নৌরিবা মীওইনা তাইবঙপান হান্না থাদোকখিবা মসিমা কন্না চৎনখৎলক্লবনি।

হিংনবগী লম্বীদা খুদোংচাবা ময়াম অমা ফংলবসু মী ফত্তবগী চাংদি লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা করম তৌদৌরিবনো? ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংগদবনি হায়বগী থাজবা অমা ঙম্নমক লৈখৎলকপা মসিনা মরম ওইরগা শিফম-নাফম খঙদনা অশি-অনা থোরক্লিবা মখা চত্থদুনা লৈদৌরিবনি। শিবা কিদবা মীতনা লিংজেল ফুদোক্তুনা অনম তাল্লগদা মায় পাকপা হায়বদু ওইদৌরিবনি। থাজবা মহাক অদুতনা পজেং ফিরাল থেৎকদৌরিবনি। কিসু কিবা, মকন্থি ফুদোকপসু কিজবা মহাক্তুমা মহাক্কী অপাম্বা অদুমদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। 'ঘড়ীগী মখোলদি পুন্সিগী লম্বীদা চৎপা মতমগী খোঙথাংনি' মসিবু খঙনা চৎলিবা মীদুমা শোয়দনমক্কী শিংথাবা য়ারবা মী অমা ওইদনীংঙাই লৈরোই। হিংনবগী লম্বীসিদদি চরক চহিংনবগী থবকসিমদি কৈদৌনুংদা তৌরগে খল্লরোইদবনি। থম্মোয়শেংনা হুমাং থোক্লা শুগনি নোমগনি খন্দুনা অৱা অনা থিদবমখৈ নীংহন্নবা লৈতনা তৌদবা য়াদ্রবা হিংনবগী লম্বীদা মায়রোং য়ারিবা নুপা নৎত্রগা নুপী শোয়দনমক্কী নোংমদি মপূং ফানা মকা লাম্না হিংবা থাজবা হায়দুমা ওইদৌরিবনি। তৎত্রবা লংহিনা তরেৎয়োৎ চাথৎপগুম লৈত লায়রগী থেংনরম্বা পূম্বা নোংমগী তৌদবা য়াদ্রবা পুন্সিগী শিন্থা মসিবু নিতি নিয়ম কাইদনা ঙাক্তুনা চৎলবা তংদু লৈতোবা পুন্সি ওইদনিংঙাই লৈরোই। উৎসবকী এঞ্জাং মথেলগুম তাথবা কৌবা লৈরক্লোইদৌরিবা থৌদোক ময়াম অমা পামদ-পামদনা থেংনগদৌরিবনি। থেংনগদৌরিবসি শেন্থোক লম্বী লৈতনদি থেংনগদৌবসিদা অৱাবা হায়বদুমদি শোয়দনা মায়োক্লগদৌরিবনি। মায়োক্লবা কিদুনা চেল্লগা মরুপ মপাংদগী লাপ্পা লৈবা তাবনি। ঙম্না ঙম্নবা হোৎনবদা ঈশিং ঈচাওগী তুরেলগী লৈরাইগুম চাশিল্লকপা নত্তনা অতৈ অমা অমুক লাক্কদবা মান্দ্রবনি। খ্বাইদগী ফবদি ইশাগী ওইবা থৌদোক্তা মরুপ মপাং কা হেন্না চেবাউ পীদনবা হোৎনবা, তৌদবা য়াদবা খরখক্তমক তৌবা, পীকশিনবগী ৱাখল মসিনা হিংনবগী লম্বীদদি অৱাবা হায়বদুদগী খরদি শাফদনীংঙাই লৈরোই। তৌদবা য়াদবনি খন্দুনা খরতমক মতৌবসিসু কনানসু করিসু হায়ররোইদবনি। লৈদি লৈতনা শঙ্গোম চানীংবগী থৌওংসিমা হেক্তমক পল্লুবদা মমৈদা করিনুংগীনো খলগদৌরিবনি। ঐনা ঐনা তৌজরিবা থবক অদুনা অফবা ফত্তবগী খুদম হিংলিঙৈদা অদুমক খঙলগদবনি।

শেন্থোক লম্বীনবু মরাং হেক কায়দবদা ইমুং অদুমা শোয়দনা মহি লাংবা শোয়দ্রবনি। মসিনবু মরাং কাইরিবা মখৈ চেক মুক লাওদনা উতিংগুম্না লৈদৌরিবনি। অয়াম্বনা ইমুং মনুংদা খৎনরক্লিবসি মরু ওইনা লৈতবদগী হেক্তমক ওইরম্লবনি। মসিবু লৈননবা ইমুংদু মথুন ফুলনবা হোৎনবদা করিগুম্বা অমত্তা চিত্থ নান্থবা লৈত্রবা অদুগুম্বা ইমুংদা শোয়দনা ঈংনা তপ্না লৈতনীংঙাই লৈরোই। খ্বাইদগী লুরিবসি চাবীনবা য়াল্লবা, শুবীনবা য়ামদ্রবা মদুসু মহি খরদি লাংদনীংঙাই লৈরোই। শুবীনবা য়াল্লবা চাবীনবা য়ামদ্রবা খরা মখৈদি শাফগদৌরিবনি। লৈনবা হোৎনবা হায়বসিদনি মথেল ময়াম থোরক্লিবসি। মপা মপুনা মরন মথুম ময়াম অমা থনমদুনা চীংমুক ৱাংনা পৈখৎতুনা থল্লম্লবসু মতম খরা নুংঙাইনা লৈরম্লগা লোইরমদাইগী পোলোইদা চাকনি ফিনিবগী থৌওংদা... মসিসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। শুকশু শুদনা কাই কাইদুনা চাগনি খল্লবা অদুগুম্বা মচাদুনা মশুদুনা তুংগী পোরমদদি মরেক মহাউ লৈনা হিংবা হায়বদুমা থাজবা ৱাৎতুনা লৈদৌরিবনি। মফম মরাং খঙদনা লৌনা লৈনরকপা মচে মচল মফম খঙদনা থৌওই ৱাওইরক্তবা, চারোইদবা চিঞ্জাক পাম্না চানরকপা মসিগা লোয়ননা মানা তৌরিবা থবক অদুনা ফরে মখঞ্জবা মীবু মানা করিসু উশিৎপা লৈরক্তবা, মশা মথন্তা অকন অরিংগী থবক থৌরমদা খূৎ থারকপা মসি পূম্নমকসি কদাইদগী করম তৌনা ওইরকখিবা অদুমক খঙনরবা ৱাফম অমা ওইরবনি। হিংনবা লম্বীদা হিংনবা হোৎনজরিবা মীওই কয়া শুফম চাফম লৈরক্তবদগী মীগী পাউখোল্লোই ওইনা... মাগী অপাম্বা পৈশা মতিক চানা ফংলকপা পূম্নমক মুন্না খন্থরুরবদি থবক অদু তৌদ্রিঙৈদা খন্থহৌবগী তঙাইফদবা হায়বদুমা ওইদৌরিবনি। পৈশা পীরগা অদু তৌ তৌবা, অদা তৌ হায়রগা খন্থরুবা তৌদনা শিগনি নাগনি খন্দবা মখৈ পৈশাদা ফংলগা লোইরে খঞ্জবা মীসু মশীং অদুমক য়ামখৎলক্লবনি। অফবদা মশীং য়ামখৎলকপা নমদনা অফবা ওইদনীংঙাই লৈরোই। ফত্তবদা মশীং য়ামখৎলক্লবা ফনীংঙাইগী লম্বীদি থাজবা ৱাৎলগদবনি। হিংনবা হোৎনবদা হিংনবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী মনুংদসু শুগদবনি নোমগদবনি খঞ্জবা য়াওদবা নত্তে। লৈত্রগা মীগী মপোৎপু পাল্লবা মদুমক খল্লুদবা ফরবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## ইম্ফাল সহরগী খোংবান, ইরম-নালা কাং মচা কোকফম ওইরে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

নেচরগী ওইরম্বা খোংবান-নালাদগী খূৎশেম্না শেমখিবা মতুংদগী ঈশিং তুংদুনা লৈবনা কাং মচা কোক্তুনা, মনম নমথীবনা লায়না কয়ানা য়োল্লবা পুন্সি ওইরে। নোং তারবসু তাদ্রবসু ঈশিং চেন্থবা ঙমদ্রে। চহী কয়াগী পুল্লবা লৈনাংগী মনম্না হিংলিবা মীওইশিং অসিরা নুংঙাইবা, চাওখৎপা পুরক্লিবা লমদমসিগী পুন্সি মহিং। মমাঙঙৈগী লৈবাক্না ওইনা লৈবা মতমদা নোং তাদবা মতমসিদা খোংবান-নালা পূম্নমক ঈশিংগী মচুম চুপশিন্দুনা পুমকং কংবা মতম ওইরবনি। মাগী মাগী য়ূম মপাগী খোংবান - নালাদু লৈবাক লৌথোক্তুনা/তৌদুনা পল্লি থোন্দুনা মথং নোংজু থানা লাকপদা ঈশিং মরাং কায়না চেন্নবা শেম্নরম্মী। হৌজিক তৌরিবসিবু করিনো? থবক অমা তৌরমদাইদা ৱাখল ফজনা খল্লগা তৌখিদবনা ঙসিদি মীয়ামদা 'স্লো পোইজন' ওইরে। মসি অথুবা মতমদা অমুক্তং লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নীংই।

শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা সোসল ৱার্কর শ্রী পুখ্রম্বম সরতনা শগোলবন্দ ৱার্দ নম্বর ৮গী খোংবান-নালা মফম খুদিংমক লৈঙাক্কা মরী লৈনদনা কুমজা ২০১৮দা শেংদোকপীখি। সলাম লৈকায়গী মেন রোদকা তাইনবা পুখ্রি ফুন্দুনা লৈরম্বসু লৈবাক কোথোক্তুনা শেল্লবা মতুংদা ঈশিং পীক থন্না হাপচিনবীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌজরকখি। মৈনো লৈরক্কী পুখ্রিদসু ঈশিং পীক থন্না হাপীরমখি। মীয়ামগী য়াইফনবা থৌগল তৌবদি তাইবঙ মপুগী থৌগল তৌবগা চপ মান্নরিবনি। মহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎ মায় পাকপা ওইরকউ। ঈশিং পীবনা অচৌবা দাননি।

এ সী খুদিংগী এম এল এশিংনা নোং তাদ্রিঙৈদা ইরম-নালাদা মোৎলিবা, কাং মচা কোক্তুনা মীওইবদা লায়না কয়াগী হৌরকফম ওইরিবা অসি শেংদোকপীনবা পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। নিংথমথাগী ঈশিং ফংদবা মতমদনা মনম নমথীবা কয়ানা তুংদুনা লৈরে। নোংজু থাদনা নালাগী ঈশিং পূম্নমক লম্বীদা পাথোক্তুনা চহী চূপ্পা অৱাবা ওইরে। নালা চনবা মতমদা খ্বাইদগী অহৌবা মকোক্তগী স্লোপ নাইনা চনগদবনি। অঙম্বদগী ঈশিং চেন্থরক্কদবনি। ঐখোয়গী লমসিদা ফজখ্রবা সিৱেজ প্রোজেক্ট চহী ২০গী মমাঙদা ফ্রান্সকী মতেংনা শেমগৎখিবা করম্না ফেল ওইহনখিবনো? লমদমসিদা প্রোজেক্ট খুদিংমক মাঙহনফম ওইরব্রা? করম্বা থবকপু মায় পাকপা য়াওখ্রবগে? হৌজিক লৈরিবা ইরম-নালাগী ফীভমসিদা শেংদোকপনা য়াগদবা মান্দ্রে। শেংদোক্লগা নূঙনা লৈমখোংদা চল্লিবা মখাদা নূঙনা স্লোব নাইনা চনবীরবদি অমুক হন্না শেম্নররোই খঞ্জে। থবক অমা তৌবা হায়বসি মতম অমদি শেল চঙবনা অমুক্তং তৌবদা ৱাখল খল্লগা চেকশিন্না তৌদবা য়াদবনি।

*অদোমগী - মুতুম শান্তি, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক*

## ষ্টেটকী পাউ

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী 'ৱার ওন ...

*লামায় ১গী মখা...* ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দোগী গাড়ী নম্বর '৯' হায়না থাবা মারুটি জীপসি অদু মোরে রোমদগী থোরকপদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌনবা খাম্বনি হায়রি।

কম্মান্দো পর্সনেল ৫ তোংলকখিবা মারুটি জীপসি অদু খামদুনা থিহুম্বগী থবক চত্থবদা হিরোইন নম্বর ফোর হাপ্পা সাপোন কেপ ১০০ য়াওরম্বদা নত্তনা দল্লিয়ু ৱাই লিশীং ১০বু তোঙান তোঙানবা বন্দল ৮ থোক্লা য়োল্লগা য়াওরমখিবদা নত্তনা কম্মান্দো পর্সনেলশিং অদুদগী লুপা লিশীং ৮০সু সিজ তৌখিবনি হায়রি।

য়াল্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অমসুং শেলশিং অসিগা কোন্নবা হকথেংননা ফারবা কম্মান্দোদা পর্সনেলশিং অদুবু লুচিংলকখিবা কম্মান্দরনা অৱাং সেকমাইদগী মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কোলেজদা হবিলদার ওইনা লৈবদগী কম্মান্দো য়ুনিট অসিদা এটেচ তৌরকখিবা (হবিলদার নম্বর ০২২০০৭২৫১) কে ঐচ অচৌবনি। অদুগা অতোপা পর্সনেলশিং অদুনা ৭শুবা মণিপুর রাইফলসতগী কম্মান্দো য়ুনিট অসিদা এটেচ তৌরকখিবা রাইফলমেন নম্বর ০৭২০০৬০৮৮ টি ঐচ সুভাস চোথে, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী এটেচ তৌরকখিবা কন্সটেবল নম্বর ১৮০১২০৩ ৱাই দিনেশ্বর, তরুকশুবা এম আরদগী এটেচ তৌরকখিবা রাইফলমেন নম্বর ০৬২০১০৬৫০ এম প্রেমচন্দ্র অমসুং রাইফলমেন নম্বর ০৬২০১০৮০১ এন দোরেন্দ্রজিৎনি হায়রি।

এস পিনা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফাগৎলবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অসিগা কোন্নবা মখোয় মঙামক মখা তাবা লিগেল এক্সন লৌখৎনবগীদমক ককচীং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়খি।

লোয়ননা এস পিগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্লা চঙশিল্লক্লিবা ৱার ওন দ্রগসকী কেম্পেয়ন অসিদা ইল্লিগেল দ্রগশিং পুথোক পুশিন তৌবা অমসুং মদুদা চেন্নবা খুদিংমক ফাগৎতুনা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎকনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ইল্লিগেল ওইবা থবকশিং অসি খুদক্তা লেপ্পীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ককচীং পুলিস ষ্টেসনন কম্মান্দো পর্সনেল মঙাসিগী মথক্তা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্টকী সেক্সন ২১ (সী), ২২ (সী), ২৯, ৬০ (৩) গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৮ (১) ২০২৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

পনবা য়াবদি, য়াল্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং পুরকপদগী ফারবা কম্মান্দো পর্সনেলশিংসি মখোয়গী য়ুনিফোর্ম শেৎলকখিবদা নত্তনা মখোয়দা ইস্যু তৌবা সর্ভিস নোংমৈশিংসু পায়রগা থৌওং অসি চত্থরম্বনি। মখোয়দা ইস্যু তৌবদগী পায়রকখিবা নোংমৈশিংনা এ কে সেরিজগী রাইফল ২, পোইন্ট ৯ এম এমগী পিষ্টোল ২ অমসুং এম পি-৫ ওটোমেটিক কর্বাইন ১নি হায়রি।


## দি জি পি মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্লে ...

*লামায় ১গী মখা...* মরম চারিব্রা হায়বা ৱাহং হংনীংঙাই ওইরক্লে হায়খি।

কুমজা ২০২০-২১দা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা খ্বাইদগী চাউনা লুপা ক্রোর ৪০০ হেনবগী দ্রগশিং ফোরেন্নর অমা য়াওনা ফাগৎখিবা লৈখ্রে। অদুবু ইকুই কুইদ্রিঙৈদা বেলদা থাদোকখ্রে হায়না মরাল শীখি। লোয়ননা কেস অদু কদাইদা চৎখ্রবগে হায়নসু হংখি।

ফার-ফারগা হেক্তা থাদোকখিবা, অৱাংবা থাক্কী মী য়াওরম্মী হেক হায়রকপা য়াওবনা লুপা ক্রোর ৪০০ হেনবগী ফাবদসু থাদোকখিবা অদুগুম্না ঙসি ফারিবশিং অসিসু থাদোকখিরোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়খি।

পুলিসনা পুলিসতগী দ্রগ পুরম্বগী ফাগৎলে। মতাংসিদা মোরেলিটিগী হায়বা ৱাফম অসিসু নৈনবীয়ু। পুলিস ময়াম অমনা অশোয়বা অসুম য়াওশিল্লকসিদা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু ওইশিল্লক্লে। মতাং অসিদা দি জি পি মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্লে হায়রক্কদৌরিব্রা নৎত্রগা হোম পায়রিবা চীফ মিনিষ্টরনা মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্লে হায়রক্কদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসু হংখি। মতাংসিদা লৈঙাক্লা খন্নবীবগী মতম ওইরক্লে হায়খি।




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।